# শাজেল তৌবসি লূমনা লৌবা মথৌ তারে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

করিগীদমক শাজেল তৌবা মথৌ তারিবনো হায়বা ৱাহংসিমা য়াম্না লূম্না লৌফম থোকপা ৱাহং অমনি হায়না থমজগে, মরুওইনা ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা। অদুগা অমুক হংবা য়ারিবা ৱাহংদি কনানো শাজেল তৌবা মথৌ তারিবা হায়বসিনি। ঙসিগী পুন্সিগা হান্নগী পুন্সিগা য়াম্না খেন্নরে। হান্না চহী ২০/৩০ মুক্কী মমাঙদদি ইরমদম কংলৈপাকসিদা অনোয়বা মীওইসি উবদা য়াম্না তাঙনা থোক্লম্মী। অদুবু ঙসিগী ঐখোয় ইরমদমগী খুন্নাই অসিদা অনোয়বা মীওইসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। য়ূমগী কাদগী হেক খোঙ থাংদোকপদা অনোয়বগী অনোয়বা ঙাক্তা অদুম উবা ফংলে।

চহী ২০/৩০গী মমাঙদদি অনোয়বা মীওইসি য়াম্না তাঙনা উরম্বনি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা। হায়বদি ঐখোয়গী হৌরকফমগী ওইনা য়েংলুরগদি নোয়বা হায়বসি থোইদোক্না লৈরমদে করিগী ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী পুন্সি মরেল অদুনা। ঐখোয় ইপা-ইপুশিংগী পুন্সিদা চাবগী মায়কৈদা য়েংলুবদা থাও চাবগী হৈনবীসি লৈরমদে, শা-ঙাদগী নৎত্রগা মনা-মশিংদগী ফংবা খরা নত্তনা। লোয়ননা, তোঙান তোঙানবা মরু-মরাং ময়াম অসিসু চারমদে ইন্দিয়াদগী পুশিল্লক্ত্রিৌঙেদদি ইরমদমদা হৌবা মনা-মশিং নত্তনা।

অদুবু ঙসিগী খুন্নাই অসিদা শীজিন্নরিবা থাও-থুম, মরূ-মরাংশিং অসিদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মসিনা চাবদা মহাওদি হেন্না লৈহনবা য়াই। অদুবু হকচাংলোমদা য়েংলুরগদি অকায়বা খক্তনি পুরক্লিবা। হকচাংদা শোকহনবতা নত্তনা শেলসু অসুক্কী মতিক থাদোকখ্রিবনি মপালদা। অসিগুম্বা চিঙ্গাক অসি ফত্তে হায়বগী ইচম চম্বা খুদম হায়ববু ঐখোয় খুদিংমক্না অচম্বা চিঙ্গাক চস্ফুৎকুম্বা, ঙানবা অমদি লৌবনচিংবা চিঙ্গাকশিংনা হকচাং ফবা হেল্লি হায়না হায়নরিবা অসিনি। খ্বাইদগী হকচাং ফনা চাবা য়াবা চিঙ্গাক খুথোংদি খ্বাইদগী লায়বা অমদি থুবা খুথোংদুনি - চস্ফুৎ, থুম খরা হাপচিল্লগা লোইরে। সিদগী হেন্না লায়বা অমসুং থুবা অতোপ্পা খুথোংবু লৈরিব্রা? ঐখোয়গী চস্ফুৎ খুথোং অসিদা অমুক্কা হেন্না থুহনগে অমদি লায়হনগে হায়রবদি মনা-মশিং অদুনা মচু



মুরৈনবা অমদি হঙ্গামপাল চঙদ্রিঙৈদা, হায়বদি শংলৈননা লৈরিঙৈদা থাংথহৌবা অদুনি। মসিনা মনা-মশিং অদুদা য়াওরিবা মতিক-ময়াইশিং অদু মাঙহন্দে। মরম অসিননি নোংচুপলোমগী অমেরিকা, ইংলেন্দ অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিং অমদি নোংপোক লমদম চাইনা, টাইৱান, জপান, কোরিয়া, সিঙ্গাপোর, হোং কোংনচিংবা চাওখৎলবা লৈবাকশিং অসিদা শংনা-শংনা ফুৎলগা নৎত্রগা থোংলগা চানরিবা।

মসিগী মরুওইবা মরম অনীখক হায়রগদি অহানবদা মনা-মশিংশিং অসিদা য়াওরিবা হকচাংদা কান্নগদবা মতিক-ময়াই, মহাও অদু মাঙহন্দবা। অদুগা অনীশুবদনা কুইনা থোংদুনা মনা-মশিং অদু খজিক্তা ঙাইশিল্লকপদগী থিংহৌবা। ঐখোয়গী ইরমদমগী কুইনা থোংবসি মনা-মশিং অদুগী মতিক-ময়াইবু মাঙহনবতা নত্তনা মনা-মশিং অদুগী য়াম্বগী চাংসু য়াম্না হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লুপা নিফুনা কোন্নগদবদা মনা-মশিং অদু লুপা মরিফুগী লৈবা মথৌ তাহল্লি। করিগুম্বা নোংচুপলোমগী নৎত্রগা য়ুরোপকী নৎত্রগা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিং অসিদা ঐখোয়গী কুইনা থোংবগী মওংসিদা থোংবা তারবদি থা অমদা অসুক্কী মতিক শেল থাদবা মথৌ তাগনি মনা-মশিং লৈবদা। ঐখোয়গী কুইনা পথুবমখৈ থোংবগী খূৎথোংসি উন য়াম্না তাবা, মনা-মশিং থাবদা সিজন অমা অনীদগী হেন্না থাবা য়াদবা লৈবাকশিংদদি মনা-মশিং চাবা ঙম্লোই। খুদম ওইনা হায়রবদা রসিয়াদা মনা-মশিংসি অসুক্কী মতিক তাঙই, নিংথমথা অমদি নিংথমথাগা লোন্নবা থাশিংদদি মনা-মশিং থাবা য়াদবনা অমদি অয়াম্বা মনা-মশিং অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপনা। ঐখোয়গী খুন্নাইদসু খরা শংনা চাবগী হৈনবীসি লৈরবদি হকচাংসু ফগনি অদুগা শেলসু তঙ্খাই অমা হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি।



অসুম্না অহানবদা ইরমদমগী মীওই অয়াম্বনা হকচাং ফত্তনা, পামদবা মওংদা নোয়বগী ফীভম অমা উরিবসি চাবগী হৈনবী অসিননি। অদুগা অনীশুবদা হকচাং ফত্তনা নোয়হনবগী মরম অমনা ঐখোয়গী য়াম্না মশা-মউ খিংনা লৈতবগী মওং অসিনি। মমাঙঙৈদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা নোংমদা চরা অচৌবা অনী-অহুল্লক্তা তখৎতনা চারবসু নোয়বা হায়বদুমদি লৈখিদে মরমদি মখোয়গী লেপ্পা লৈতনা থবক শূখিবা, চৎখিবা অদুনা। অদুবু ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি কদাই। মমাঙঙৈদা তৌরম্বা অদুগুম্না থবক ইনখাং লেপ্তুনা তৌবগী হৈনবীদুগী মহুত্তা ফমদুনা থবক তৌবনা অয়াম্বা ওইরে। লৌবুক্তা, লমহাংদা, তুরেলদা, লম্বীদা থবক শূবা কয়াসু হান্নগুম থবক কন্না শূবা, মশা খিং-খিং লাওনা লৈরম্বা অদুদি মাঙখ্রে অয়াম্বনা। অসুম্না থবক শূবা মখোয়দদি থোইদোক্না নোয়বগী ফীভমসি লৈরোই। অদুবু শেল-থুম খরা থোকপা, ফমদুনা থবক তৌবা মীওই কয়াদি লোইরে মৌনা থা ৬/৭ মীরোনবগুম মবুক্তো চাউনা চাউনা ইম্থোক্তুনা চৎনরিবা।

শেল-থুমসু খরা অদুম পায়গুম তৌ, চানীং-চানীংবসু চাবা ঙম্বগুম তৌই, থবকসু ফমদুনা তৌবা থবক ঙাক্তা তৌবগুম তৌ অদুগা শাজেলদি তৌদবা মহিং অসিনা চাশিল্লিবা থাও-থুম, মরূ-মরাং, ফেট অসিনা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম চাউবা হেনগৎহল্লি ময়ায় ওইবা শরুক্তদি। চানীংবতা চাবা অদুগা চারিবা অদুদগী ফংলকপা মতিক-ময়াইশিং, পাঙ্গল অদুদি থবক তৌদুনা শীজিন্নদ্রবনিনা নোয়বসি হেন্না হেন্না অসুম হেনগৎলক্লিবনি। মসিনা য়েংবদা নুংঙাইতবতা নত্তনা হকচাংদসু অকায়বা য়াম্না পীরিবনি, মরুওইনা খ্বাংদা। পুক য়াম্না কংবা অসিনা হকচাংগী ফিরেপ্তা অশোয়বা পুরকপনা খ্বাংদা য়াম্না অরূম্বা পোৎলূম অমা ওইহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা খ্বাং নাবসি তোয়না থোকহল্লি। মসিদা নত্তে, অনোয়বগী চাংসি অসুম হেনগৎলক্লবদি শীংলিদা, থম্মোয়দা অমদি হকচাংগী তাংশিংদা অকায়বা য়াম্না পীরকই। মসিদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি চাবদা, তূম্বদা অমদি শাজেল তৌবদা ৱাখল খরা থাদদুনা শেমদোকহৌবনা খ্বাইদগী কান্নবা ওইগনি।

ঐহাক্লা হন্দক ইরমদম কংলৈবাক্তা থোরকপদুদা কেন্সরনা চহী অমা ফানীংচিৎ নাবদুদা শান্নবদি ঙমদা, হকচাং কলহন্নবনি হায়দুনা চাবদি য়ারিবমখৈ য়াম্না চানবা হোৎনবদা ঐহাকসে নোয়খৎলে, য়াম্না নোয়রে খন্দুনা লাকখিবনি। টাইৱান্দা ইচাশিং অমদি ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনদি ঐহাকসে অসুম্না অমুক্তা নোয়বা উখিদ্রি হায়দুনা তত্তনা হায়রিবনি ঐহাক্কী পুক্কী অকোয়বদা থাগৎপা উনশাসি উবদা। অদুবু ঐহাক্লা নোয়রে খন্দুনা লাকখিবদো ইরমদমগী ইরৈচা, ইমান্নবশিং উবদা ঐহাক্তি নোয়বদা চিংখিদ্রে। পুক্তা য়েংদুনা মখোয়গা চাংদম্নরুবদা ঐহাকসি নোয়বা হায়বদো অদুম ওইখিদ্রে ঐহাক্লা নোয় হায়না খঞ্জরবসু।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে হকচাং ফনা হিংবা হায়বসি খ্বাইদগী লূম্না লৌফম থোকপা হীরম অমনি হায়না থমজগে। মালেমগী মশা মউ ফবদা মদুসু নেচরেল ওইনা চাহৈদবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি দ্রগনচিংবা অমতা শোক্লুন্দনা শান্নজদুনা মকোক-মথং কয়ারক ফংজদুনা চা ফাওবা থক্তনা হিংজবা ঐঙোন্দা কেন্সর হায়রিবা লায়না অদুনা চঙলকপা ঙল্লগদি শোমগী পুন্সিদদি কয়াম লায়না অসিগুম্বা মখল কয়াগী লায়না অসি চঙলকপা য়াই হায়বসি লূম্না খন্থবীয়ু। নাদ্রিঙৈদা নাদনবা হোৎনহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা লম্বীনি হায়না থমজগে। নারকান্দা নাবদগী ফনবা হোৎনবা হায়বসিদি শেলসু তিংই, অৱাবা কয়াসু মায়োক্নে লোয়ননা হিংনি-হিংলোই হায়বসু তম্বা ঙমদে। ইশা ইতোমতা ৱাজবগী মথক্তা ইমুং মনুংদা অমদি অতোপ্পদসু অৱাবা, অকায়বা পীরিবনি।

মরুওইনা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদদি লায়েংবগী লম্দা চাওখৎপা য়াম্না য়ৌদ্রিবনা অমদি হেলথ ইন্সুরেন্সনচিংবা অয়াম্বনা পায়নদবনা য়ারিবমখৈ শাজেল তৌদুনা, অফবা চিঙ্গাক চাদুনা, অচম্বা পুন্সিদা লেন্দুনা অফবা হৈনবী থমদুনা হকচাং ফনা হিংনবা হোৎনগদবা য়াম্না মথৌ তাই। করিগুম্বা ঐহাক্লা ইরমদম কংলৈপাকসিদা লৈরম্বা থোক্লবদি লায়েংনবগী শেল লৈতদুনা ঐহাক ময়ামগী মাঙ থাদুনা চৎখিরম্বসু য়ারিবনি। মসিমক ইরৈচা কয়াদা থোক্লিবনি অমদি থোকপা য়ারিবা ৱাফমনি। অদুবু লাইবক ফবনা, ঐহাক্কী ওইনদি টাইৱান্দা লৈরম্বদগী মফমসিগী লায়েংশঙশিংগী য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লবা খূৎশু খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা অমদি হেলথ ইন্সুরেন্স য়াওবগী কান্নবা কয়া অদু লৌদুনা, ফংদুনা হিংহৌবা ঙম্লিবনি। মসিগী কান্নবশিং অসি লৈতবা ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈবিরিবা ইরৈচাশিংনদি হেন্নদুম হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবীবা মথৌ তাই। করিগুম্বা ঐহাক্কী কেন্সরগী লায়না অদুনা নাবা থোক্লম্লবদি ঙসি ঐহাক্কী ৱারেং পাবীরিবা শোমসু ফমুংদা তাদুনা লৈরম্বসু য়াই নৎত্রগা লমখাংদা পুন্সি লোইরম্বসু। ইশা লৈখিদবদি অরাইবনি, অৱাবা কোকপনি অদুবু লৈহৌরিবা ইচা-ইশু, ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমদি খুন্নাই অসিদা লৈহৌগদৌরিবা অৱাবা অমদি মাঙজবা অদুদি কনা লাক্তুনা মেনশিনবা ঙমলোইদৌরিবনি।

ঐখোয়না হিংলিবসি ঐহাক ইতোমতগী নত্তে। ঐহাক্কী পুন্সিনা হিংলিবা অসি অতোপ্পগীসু য়াওরিবনি অমদি খুন্নাই অসিগীসু য়াওরিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না কাউফদে। করিগুম্বা ঐহাক্লা হন্দক্কী কেন্সর নাবদুদা লৈখিদবা থোক্লল্লবদি ঐহাক্কী ইচাশিং, মমা-মপা পাং শুদনা মখোয়গী লেমহৌরিবা পুন্সি লেলহৌগদৌরিবনি। মসিগী নুংঙাইতবা, অৱাৎপসি মমা-মপা লৈত্রবা মখোয়দি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙগনি। মসিগী মথক্তা ঐহাকপু মহাক্কী অশেংবা য়ূমনি খঞ্জরিবা চাইনিজ নিংঙোল, ঙসিনা মীতৈ ওংবী চনিংলৈমা লুখ্রাবী ওইনা মপাং য়াওদনা অশেংবা ময়ূম হায়বদো লৈতনা হিংহৌগদৌরিবনি মহাক্কী পুন্সিনা হেক লোমদ্রিফাওবা। লোয়ননা করিগুম্বা ঐহাক্লা লৈখিদবা থোক্লবদি ঐহাক্কী ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈহৌরিবা ইয়াম্বশিং, ইচেশিং, ইচাশিং অমদি কৈরোই লৈকায় ইশুং-ইমান্নবা কয়াগী থম্মোয়দসু মেনখৎপা ঙমলোইদবা অৱাৎপা, অহাঙবা অমদি অদুম লৈহৌগদৌরিবনি। মসিতা নত্তনা ইরমদম অসিদা ঐহাক্লা তৌজনীংবা, নীংজরিবা কয়াসু অদুম তৌবা ঙম্লোইদৌরিবনি। মসিদা নত্তে, মালেমগী মরুওইনা এসিয়াগী লৈবাক খুদিংমক্তা নেচরেল হায়রিবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি চাহৈদবা দ্রগনচিংবা চিঙ্গাকশিং চাদনা শান্নবগী অমদি নেচরেলগী ওইবা ফম্বাকশিং হাংদোক্লমগে খঞ্জরিবা অসিনচিংবা অসি করিসু পাঙথোকপা ঙমলোইদৌরিবনি করিগুম্বা ঐহাক্লা কেন্সরনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা থোক্লবদি। মরম অসিননি ঐখোয় ইতোমতগী হিংবা নত্তে অতোপ্পগীসু য়াওরিবনি হায়জরিবা। মরম অসিননি ঐখোয় মশা মউ ফনা হিংবা মথৌ য়াম্না তারিবা।

মরম অসিনা অঙাং ওইগেরা, অহল ওইগেরা, নুপী ওইগেরা নৎত্রগা নুপা ওইগেরা ঐখোয় খুদিংমক মশা মউ ফনা হিংদবা য়াদে। ইমুংগী নৎত্রগা খুন্নাইগী করিগুম্বা থবক অমা তৌগে খনবদা মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইদনা করিবু তৌবা ঙমগদৌরিবনো। অহল ওইরবশিংনা শাজেল তৌবা মথৌ তাই মখোয়গী লেমহৌরিবা পুন্সিনা মচা মশুশিংগী লীলা য়েংনবা, মখোয়বু লমজিং লমতাকপীনবা। নহা ওইরিবশিংনা শাজেল তৌদুনা মশা মউ ফনা লৈবা মথৌ তাই মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং পুনবা অমদি খুন্নাই অসিদা করিগুম্বা অঙম্বা খরা তৌরম্নবা। অদুগা ঙসিগী নৌনা হৌরক্লিবা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিং অসিসু মশা মউ ফনা হিংবা য়াম্না মথৌ তাই। মরুওইনা নৌরিবা ঙসিগী মহৈরোয়শিং অসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী তুংগী মপী-মপা অমদি লুচিংবা ওইরক্কদৌরিবা ঙাক্তনি। মখোয়না তিঞ্জং কাইজংদুনা লৈরগা করম্না খুন্নাই অসিবু অফবা, অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো। তিঞ্জং কায়জংবা মীওইশিংনা তিঞ্জং কাইজংবা খুন্নাই অমা শেম্বগুম তিঞ্জং কাইজংদবা, মশা মউ ফবা মীওইশিংনা অফবা, তিঞ্জং কাইজংদবা খুন্নাই অমা শেমগদৌরিবনি। মরম অসিননি চাওখৎলবা নোংচুপলোমগী অমদি অরাপ্পা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিংনা অসুক্কী মতিক লূম্না লৌদুনা মীপূম খুদিংমকপু মশা মউ ফনা হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনরিবা। মরম অসিননি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা মেদিক্যের অমদি হেলথ ইন্সুরেন্সনচিংবা, শান্নবুংশিং, শাজেল তৌফম অমদি পার্কনচিংবা কয়া হাংদোক্তুনা থল্লিবা। ঐখোয়গীদি জিমসু, শান্নবুংসু, পার্কসু চাহৈদবা দ্রগশিং চাফম, ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাফম অমদি নুংশি নুংওলগী মফম ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরে।

অদুগা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা য়াম্না নুংঙাইতবা, অশোয়বা অমনা নৌরিবা মহৈরোয় অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা, থৌগল্লোন খঙনা, হরাউনা থম্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মমা-মপাশিংনা ট্যুসন পরেং-পরেং থাদুনা চিনফা পুহন্দুনা থল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মশাসু ফৎত্রে অদুগা মশানা খঞ্জবগী মতিক ময়াইসু অমত্তা চেলহন্দ্রে অঙাংশিং অসি। মচাশিংনা শান্নজগে হায়রফাও লাইরিক্তা শোয়রক্কনি হায়দুনা শান্নহন্দে অঙাং কয়া অমদি। মসি য়াম্না লানবা থৌওং অমনি। মখোয়না মী অমা ওইবা হায়বসি লাইরিক তম্বখক্তনা য়াদে হায়বসি হেক হেক কাউবগুম তৌরি মমা-মপা কয়ানা।

পুন্সিদা অফবা মী অমা ওইরকপা, মায় পাক্লকপা হায়বসি লাইরিক তম্বখক্তনা য়াদে, মশা মউ ফবা মথৌ তাই হায়বসি খঙবীগদবনি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না। মশা ফত্তনা করম্বা হীরমদবু থবক নিংথিনা তৌবা ঙমগদৌরিবনো। করিগুম্বা মখোয়না মায় পাক্তুনা অচৌ-অশাং ওইরক্লে হায়নসু লৌরসি



মখোয়না তাঞ্জরিবা শেলশিংদো মশা লায়েংবদা অমুক লোইনা হুদাক্কদৌরিবনি নারক্লবদি। য়েংবীয়ু শোমগী অকোয়বদা অসুম্না থবক চাউনা তৌরগা নারক্তুনা শেল চাউনা চাউনা থাদদুনা মপালদা পুথোক্তুনা লায়েংবা কয়া।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি, অঙাং হায়বা লৈতে, নহা হায়বা লৈতে, অহল হায়বা লৈতে, লায়রবা হায়বা লৈতে, ইনাকখুনবা হায়বা লৈতে ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি হায়না লৌরসি। হকচাং ফনা লৈবা হায়বসি শেল য়াম্না চঙবসু নত্তে, মতম য়াম্না চঙবসু নত্তে, ৱাখল য়াম্না চঙবসু নত্তে, অতোপ্পদা অকায়বা পীবসু নত্তে অফবা হৈনবী খরা চাং নাইনা চৎপদুনি, থম্বদুনি। অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকখিবগা লোয়ননা ঐখোয় হকচাং ফনা লৈদুনা অথৌবশিং অসিগী খোঙ্গুল লীবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি। হকচাং ফবনা অশেংবা লননি, হকচাং ফবনা য়াইফরে! ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### থোক্কনু য়াদনা অসুম অসুম ...

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

অমগী মথংদা অমা শরক শিবা লৈতে, মথংগী থৌদোক্লা করম্বা ওইদৌরিবা? মসিবু তশেং-তশেংনা হায়বা ঙম্লবা ফনা ফজনা ফাওদনীংঙাই লৈরোই। ওইদা ওইরদবোই নীংলম্বা পূম্নমক খরখিৎ কুইথরকপদা তুমিন লৈখিবা মসিমা লমদমসিগী চৎনবী ওইরব্রা? করিনো অমদি তৌরবনি। থোকখিবা থৌদোক ময়ামসি মশীং থিদুনা য়েংবদা ফনা নিংথিজনা য়াম্লনি। মীহাৎপা ওইগেরা ওইরোইরা শঙ্গ, শেল অনীসিবু হেক মরাং কায়না লৈবদা উৎলৈ-পারৈ তৌবা য়াদেদা করম হায়গনি। শেংনা হায়রবদা শেলবু মরাং কায়না পায়রবা খুনিং কায়বা ফাওবা ফরিবনি। মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। লাইফমনি হায়নরিবা মীয়াম হৌনা থাজবগা লোয়ননা খুরুম্নরিবা লাই ইবুংঙো মাগীদমক হেন্দোক্লা লুপা ৫০০ চৎপী কৎপদা লাই পানরিবা লাইগী থৌগল্লোইদুনা করিনো অথুম-অহাও খরদি শোয়দনা ফজনা পীদনীংঙাই লৈরোই। মসি নৎতবদা লুপা অমা চৎপী, অনী চৎপী, মঙা চৎপী কৎপনদি থৌগল্লোয়না পীরক্কদৌরিবদু লৈ খরা নত্তনা পীরক্কদবা মান্দ্রবনি।

লাই ফাওবা অচান-মীরাই নাইরমগদবা মাল্লক্লবনি। হায়জবগী ৱানি খেন্নবদি অদুম মরৈবা জাৎনি। তাইবঙ মীওইবা কাঙলূপ্তা ফাওবা লায়রবা ইনাক খুনবা হায়না খায়দোক্লিবসিগা মান্ননা লাইগীসু শোয়দনা লায়রবা লাই, ইনাক খুনবা লাই হায়দনা শোয়দনমক্কী লৈরমদৌরিবনি। মসি খঙদবগী ৱানি লৈবদি লৈরমদৌরিবনি। ঙাইঙমদবগী মওংদা করিসু নত্তবদা অমনা অমবু হাৎতোক্লবা, মী অমবু হাৎপা তূপ্পদা অকি-অখং লৈরক্তবা পূম্নমক আইন লৈনা-লৈনা ফংগদৌরিবা চৈরাক কিনরক্তবা অমা ওইনা লাক্লবনি। য়ানীংদবগী ৱাকৎ মসিমা শোয়দনমক্কী তৌরগদবনি হায়বা তারক্লিবা থৌদোক অদুনা অদুমক খঙনরবনি।

শারমচৎ চৎলুবদগী ফারবা কাঙবুশিংসিদা চহী অসুক জেলদা থম্বগী মহুত্তা শিদ্রিফাওবা থৌরি য়ান্দুনা থম্লগা অশি লৈবাক্তা য়ৌহনখিবনা রেপ তৌবগী থৌওংসিমদি খরা মখৈদি হন্থগনি হায়বগী থাজবা মীওই খুদিংমক্তা লৈরবনি। রেপ তৌবগী ৱারীদা ময়াম অমা লৈখিদে করম হায়গনি? কুইর-কুইরগা হামু-হামু তাখিবসু তাখিদে করম হায়গনি। মখা তানা থোরক্তনবগী পাম্বৈদি করম্বা পাম্বৈনি হায়গনি। মৈ লৈবা ৱায়রদা কনাসু থৌনা ফনা পায়রুবা য়াবা নত্তে। ইমা কৌবা ঙমদনা অমঙ য়াইথোঙ কুমগদৌরিবনি।

মতৌ অসুম্না ফংগদৌরিবা চৈরাক্তুনা শাথিরবা মসিনা ফেরা-ফিরি তৌদৌরিবা মীওই কনাসু লৈগদবা মান্দ্রবনি। করিগুম্বা ঐখোয়গী লৈবাকসিনা হৌজিক ফাওবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্লবা চৈরাক্তুবু কিবনা চেক মুক লাউরোইদৌরিবনি। শেল ফজনা পায়বা, শঙ্গ ফজনা লৈবা মীওইদুগী মফমদদি ফংগদৌরিবা চৈরাক অদুমক ইনথোক-ইনশিন য়াবদৌনা তৌনবগুম উরকপসিদা মীওই খরদি পেঞ্জদবা হায়বদুমা লৈনরবনি। নাতৈ চাদনা মীশি অমা হেক থোক্লবা মদুগীদমক শোয়দবীদা বন্দ হায়বসিমদি নাম্থোকহন্দবগুম তৌরিবনি। বন্দ মনুংদা লম্বী সরক্তা হৱাগাড়ীগী টয়ার মৈ থাবসিনা করিগুম্বা মতমদা সংস্কার তৌনবগীদমক মথৌ তাবা টায়র থিবদা অৱাবা অমা মায়োক্লরক্কদৌরিবনি। চাওখৎপগী মতুং ইন্না বন্দসিদি নুমিদাংগী পুং ৮দগী অয়ূক্কী পুং ৫ ফাওবা তৌবসিনা মতম অমা ওইনা বন্দদা পেঞ্জদবা মীওই অমত্তা লৈগদবা মান্দ্রবনি।

বন্দনা তাল্লিবা দাবী অদুমক ফংলব্রা? পাল্লিবা লৈঙাক্লা বন্দ তৌবসিদি খ্বাইদগী পামদবা ওইরবসু নম নমদনা বন্দ তৌবা, মসিনা করম্বা মতমদা, করম্বা চহীদা কোক্কদৌরিবা? নোংমগী চরা তাল্লিবা হিংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লরিবা অদুগুম্বা মীওইশিংদুগী মফমদদি পেঞ্জদবা হায়বা অদুমা অয়ৌবী থাক ওইরবনি। উ-ৱা য়ান্থৎপা, উমং-ৱামং কোকথোকপা মসিনা মরম ওইরগা অহোংবা, খেন্নবা লাকপা মসিদা তাইনগদৌরিবসিবু কনাদনো?

মতম চানা নোং তারক্তবা মসিনা মরম ওইরগা লৌ উবদা কুম কাংগদ্রা হয়না লৌমীশিংনা নুংশা থিনরকপা, মীপাইনরকপা মসিনা অচুম্বা ওইরবা মথংগী চহীদা চেঙ কিলোদা লুপা ৭০দি য়ৌদৌরিবনি। ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী চেঙনা ফনা হোঙদুনসু হেনগৎকদৌরিবা লমদমসিগী চেঙগী মমল থিংবা ঙমগদবা মান্দ্রবনি। পাম্মুনদ্রবা, থৌওইনদ্রবা ঐখোয়গী ফুরুপসিনা কুইরা কুইরগা মাঙদা কাখৎকনি হায়বা থাজদবা হায়বদু ওইগদৌরবনি। মী ফত্তবগী চাংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা ঙসিদি হায়ফম খঙদবা হায়বা অদুমা ওইরবনি। ঐদি নুপী ওইবীনি, নুপাদৌনা তৌবা য়াবা নত্তে। মসিগী ৱাখলসিমা নুপী ওইবীশিংদা ইয়াও য়াওনদবগুম্বা অমা লৈরবনি।

অথোৎপা, অমেংবা, ইকায়থীবী কয়ানা লৈতেংদুনা শেল্লবা নুপী ওইবীগী পুন্সি মীৎকুপ অমতং শোয়বদা বদনাম চারগদবা মসি ফাওবা থওইদনা, উশিত্তনা হে-হা তোংদুনা ঐখোয়সু ... মসিমক অচুম্বা ৱাফমদি ওইদ্রবনি। করিদা শোয়গদগে খন্থরগা তৌবা থবক শোয়দনীংঙাইগী মচাক ওইরোইদৌরিবনি। লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ কয়াসিগী মনুংদা ঈরাং খরা খিৎ লৈরিবসি করম্বা ফুরুপনি হায়গনি? ধমু-ধাম তৌবদা নাচুংবা লৈত্রবা ঐখোয়সিনা লৈরবসু লৈগদবোই নীংদুনা থৌশাদনা করি'মতা খন্থরুবা তৌদনা অয়ৌবা থাক্তা, লৈজবী থাদুনা হৌখ্রগা লোইরে খন্দুনা লৈথোকপা মসিনা মমৈদা মীগী মরন মথুম্না খ্বাং কোয়রক্তুনা ময়ূম, ইঙ্খোল য়োম্থোক্তুনা ময়ূম থাদোক্তুনা খুলাল্লকপা মশীং হেনগৎলক্কদৌরিবতনি। মসিদা ঐদি অদুনি-অদানি হায়দুনা মতেং পাংবা, থিংবা ঙমগদৌবা লৈতে, য়েংবা নত্তনা করিদি লৈরি।

উ পাম্বী ময়াম অমা থাসনু, থারিবা উদুসু অথাবা খুদিংমক ইরমদম লমদম লমনুংশিদা হৌবা ওইসনু। তৌবতবু উ পাম্বীনা মকা লাম্না, মনীং তৌনা, নুংশিৎনা হুম্বদা হাইনা হুম্না খাঙজবা মতৌ অদুগুম্না পোত্থোক মানা লৈত্রবদা করিনো তৌগদৌরিবা? ইচানি, মীচানি খনবা ঙম্লক্তবা মসিদগীসু তাহৈদবা-উহৈদবা লাক্লবগী মরম ওইরকপনি হায়বদা অরানবা হায়বদু তাররোইদবনি। মথংগী করম্বা থৌদোক্লা লৈবাক ঈরাং থোক্কদৌরিবা? মসিদনা নুমিৎ কয়ানি বন্দ তৌদৌরিবা? বন্দ মখল অহুম লৈরিবসিগী মনুংদা লম্বী চৎতোক-খোৎতোকপা য়াদনা অথিংবা লৈবা বন্দ, মসি নত্তবদা জ্বারগী পোইন্ট শান্নবদা বন্দ লাওবা অমা অদুগা অতোপ্পা অমদনা চাননবা বন্দ, বন্দ অহুমসিগী মনুংদা অমদি পামই কনানসু হায়ররোই। মরম অমা লৈখ্রবসু, অনৌবা অমা অমুক লাকপদি শোয়দ্রবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।